**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৫-০৩-২০২৪, নিংথৌকাবা )**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাস্বম ঙন্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মচুগী কুম্মৈ য়াউশঙ ঙসিদগী হৌরে। রাজ্য অসিদদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংদুনা কুম্মৈ অসি মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোকদ্রে।

২) এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিক অমসুং এম.পি.পিগী মীরেপ আর.কে সোমেন্দ্রোনা মীরেপ চেশিং পীশিনখ্রে।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

৪) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ওবজার্বরশিংনা ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্লি, পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিংসু চথরি।

**অমসুং**

৫) ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লাক্লিবা লোক সভা অমসুং বিধান সভা মীখলশিংদা চে য়ামা শিজিন্নদনবা মীখলগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং রাজনিতি দলশিংদা খঙহনখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**য়াউশঙ (এল)ঃ** মচুগী কুম্হৈ য়াউশঙ ঙসিদগী হৌরে। হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম য়েংদুনা কুম্হৈ অসি মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোকদ্রে। অদুমওইনমক, শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদদি মীওই কয়ানা অয়ুক অঙনবদগী লাই খুরুম্বা লাকখি। লৈকায় লৈকায়দা য়াওশঙ মৈ থাবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী ওইনা য়াওশঙগা মরী লৈননা শান্না খোৎনবনচিংবা থৌরম অমতা পাঙথোক্ক্রে । মনিপুরগী ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা কুম্হৈ অসি মমীং তগী ওইনা পাঙথোক্লি।

**--সাউন্দ য়াউশঙ ট্যুন--**

কুম্হৈ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্হৈ অসিনা খেন্নবা কয়াবু কাউথোকদুনা অমত্তা ওইবগী অপুনবগী শক্তি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। কুমশি চহিগী য়াউশঙনা লাকপদা মণিপুরবু কাংলুপ খুদিংমকা অমনা অমবু ইকায় খুমবা, শান্তি লৈবা, হেন্না ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা ৱারেপ লৌরশি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

কুম্হৈ অসিগী য়াইফ পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- কুম্হৈ অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা অমত্তা ওইনা পুন্নবগী তাঞ্জা পীরি। কুম্হৈ অসিগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবা অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা থৌরমশিংনা খুন্নাইগী মরক্তা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা শক্তমশিং উৎলি।

কুম্হৈ অসিনা লাকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-নুংঙাইরবা হরাও তয়াম্বগী কুম্হৈ অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা আশা অমসুং হৈনিংবগী ৱাখল পোকহল্লি।

মহাকা হায়-হোলিগী তোঙান তোঙানবা মচু কয়া অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিংবু উৎলি অমসুং মীয়াম মরক্তা নুংশিবা, মচিন-মনাও ওইবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেনগৎহল্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী ধনকরনা হায়-কুম্মৈ অসিনা অমগা অমগা নকশিন্নহন্দুনা হৌখিবা অৱাবা কয়াবু কাউথোক্তুনা অনৌবা খুদোংচাবশিং লৌনবগী তঞ্জা অমা পীরি।

প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-মচুগী কুম্মৈ অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী পুন্সিদা অনৌবা শক্তি অমদি হৈনিংবগী ৱাখল্লোন পী।

**মীরেপ(এল) ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনবা নাগা পিপলস ফ্রান্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিক্কী মীরেপ চে ঙসি পীশিনখ্রে। মনিপুর ফিল্মগী লমদা শকাইরবা এক্তর মীয়ামা কাইকু হায়না খঙনবা আর.কে সোমেন্দ্রোনা মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি)গী টিকেত্তা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামন্তেরি কন্সটিটুয়েন্সিগীদমক মীরেপ চে পীশিনখি। এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তোমোথি জিমিকনা মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসর ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মীস্নর থৌবালগী ওফিসতা লাক্তুনা মহাক্কী মীরেপ চে অদু পীশিনখি। মীরেপ চে পীশিনবা অদুদা রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এ রাম মুইভা অমসুং এন.পি.এফকী অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। পাউমীশিংগা উন্নবদা - এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তিকোথি জিমিকা হায়- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদসু মীৎয়েং চংগনি।

**--সাউন্দ জিমিক--**

আক.কে সোমেন্দ্রোনা রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা এম.পি.পিগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর ওফিসতা মীরেপ চে পিশিনখি। মীরেপ চে পীশিনবা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা উন্নবা অমদা - মহাকা হায়- হৌজিক রাজ্য অসিদা লৈরিবা ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা রেজিনেল পার্টি অমা মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুন্স্ফম ওইদুনা মনিপুর পিপলস পার্টিগী মীরেপ ওইনা থোক্লকপনি হায়খি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ কাইকু--**

রাজ্য অসিগী ওইনা লোক সভা মীখল অসি তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকবা শেম শাবগী থবক কন্না চথরি। মীখল অসিগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম অসি থা অসিগী ২৭ নি অদুগা স্ক্রুতিনিনা থা অসিগী ২৮ দনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সরকার পায়রিবা ভারত্যা জনতা পার্টিগী মীরেপ কনানা ওইগদগে হায়বদু লাউথোকপা লৈত্রি। অথুবা মতমদা খঙল্লবা য়াই হায়রি।

**--তাবীরিবা পাড অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**সেক্যুরিতি(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি । ঙসিসু ৱাংঙু, বোরায়ানবী, মাংজিং অমসুং লাইঙৌবি হায়রিবা মফমশিং অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি হায়রি ।

পুলিসকী পাউনা হায়- হায়রিবা মফমশিং অসিদা নোংমৈ পায়দুনা মীফা মীপুন তৌদুনা শেল খায়বগী থবক চথরি হায়বা পাউ ফংবদগী বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি অনিশুবা মাহর রেজিমেন্তকী কাংবুগা থীবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা খুৎলায় পায়বশিংনা লৈরম্বনি হায়বা কেম্প অমদগী খুৎলায়শিং অদু ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

খুৎলায়শিং অদুদি - পোইন্ত থ্রি-নোট-থ্রি রাইফল অমা, করবাইন্দ অমা ,হেন্দ গ্রেনেট মরি, কন্ত্রি মেদ পিস্তোল অমা, বুলেট প্রুভ হেলমেট ১০ য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱার লাইক মেটরিয়েলশিং ফংবা ঙমখিবনি হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু কুম্বী পুসিল ষ্টেসনদা শিন্দুনা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা কেস অমা রেজিস্তার তৌরে হায়রি।

**মীফম (এল) ঃ** লোক সভা মীখলগী ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিগী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর ওবজার্বর শ্রী প্রধুমান বদারি প্রসাদ মীনানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পোরোম্পাৎ দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউতাক মতুং ইন্না নোদেল ওফিসরশিংনা পাউ ফাওনদুনা হম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীখলগী এক্সপেন্দিচর কুপা য়েংশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। ঙসিগী মীফম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর খুমন্থেম দাইনা,এস.পি.কে মেঘাচন্দ্র, ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিতোরিং ইম্ফাল ইষ্টকী নোদেল ওফিসর মৈস্নাম চনু লিক্লাইনু, জিলা অসিগী এদিসনেল এস.পি রামেস অরাম্বম, পুসিল অমসুং পুলিস এক্সাইজ , ত্রান্সপোর্ট, বিভাগ অমসুং ইনকম টেক্স বিভাগকী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

**কাংপোকপী(এল) ঃ** লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগীদমক কাংপোকপী জিলাদা পোল্লিং পরসনেল ওইনা মথৌ তৌগদবা মীওইশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা হৌখ্রে। নুমিৎ ৪ নি চথগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না পোল্লিং পরসনেল লিশিং ১,১৩৭ শরুক য়ারি । মদুগী মনুংদা নুপী ৬৫১ নি, নুপানা ৪৮৬ নি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ত্রেনিং অদুগী শরুক অমা ওইনা ইলেক্ট্রোনিক ভোত্তিং মেছিনস মেনেজমেন্তগী নোদেল ওফিসরনা পোল্লিং পরসনেলশিং অদুগা মোক পোলগী মতাংদা খন্না নৈনখি।

**রেবিস (এল)ঃ** জোইন্ট দাইরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস-ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইরিলবুং লাইব্রেরী য়ুনিয়ন-কৈরাউ বিত্রনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা এন্টি রেভিষ্ট ভেক্সিনেসন কেম্প অমা ঙসি কৈরাউ বিত্রা অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হুই, হৌদোং ১০০ রোম হিদাক কাপখি।

সিতিজন্স ক্লব সোইবম লৈকাই ৱাংখৈ খুনৌনা পেট হঙ্গর টিমগা খুৎশমনা শিন্দ্‌না ঙরাং হুইদা এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চাউরাকা হুই ৩০০ ভেক্সিন কাপথোকখি।

**ককচিং (এল) ঃ** কম্মান্দো য়ুনিট ককচিং অমসুং পালেল পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি থোংৱাংমা পালেল বজার এরিয়াগী-পালেল মনিং লৈকায়, পাকথাবি অমসুং পালেল খুল্লক্তা লৈবা য়ুম ১৫ রোমদা থীবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা মীওই ৫০ রোম মশক খঙদোকখি। অদুমওইনমক , মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**কবুই(এল) ঃ** কবুই য়ুনিয়ন মনিপুর হৌদোকখিবগী চহি ৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী মেজরখুল কম্ম্যনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ত ডা: কে.হিরা কবুইনা হায়-রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরপ অমা ওইরিবা কবুইগী নাৎ, চৎনা লোনচৎ অমদি ফীজেৎ চকচা য়াওনা ফুরুপ অসিগী শক্তম কন্নবগীদমক কবুই য়ুনিয়ন মনিপুর শেমখিবনি।

**হেল্লি(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী হেল্লি পেদ শান্নবা প্রস্তাপ তৌরিবা সপরমৈনা পব্লিক গ্রাউন্দা ঙসি চাংয়েং ওইনা হেল্লিকোপ্তর তাখ্রে। চাংয়েং অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন কাংপোকা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মদুদা জিলা অসিগী এস.পি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল কাংপোকপীগী মেদিকেল টিমসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী মখান খুলদা সিস্তেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চথ্নগদবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউট রিজ প্রোগ্রাম কম ফোতো একজিবিসন হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

**লোক্তাক(এল)ঃ** অহানবা চিফ মিনিস্তর অমসুং ১৪ শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু লালাম্বুং অমসুং ৱাই.এস.দব্লিউ.এ উৎলৌ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রে। ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা)না শিন্দুনা চথ্নরিবা টুরনামেন্ত অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনিমকা মাগী মাগী টিমনা মায়পাকবা থৌৱাই য়াওনা শান্নবগী মমি তাখি। পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা তঞ্জা কয়া ফংলবসু মেটচকী অরেইবা মতম ফাওবা টিম অনিমকা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ইলেক্সন কম্মীসনঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা লাক্লিবা লোক সভা অমসুং বিধান সভা মীখলশিংদা চে য়ামা শিজিন্নদনবা মীখলগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং রাজনিতি দলশিংদা খঙহনখ্রে। ভোতর লিস্ত অমসুং অতৈ মীখলগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং য়ারিবমখৈ ই-বুক্স অমসুং ই-দোক্যুমেন্তসনা মহুৎশিন্নবা হায়রি। ইলেক্সন কম্মীসননা ৱাফম অসি মীখলদা ইলেক্ত্রোনিক মোদ ওফ কম্মুনিকেসনগী থৌওং পুকিং থৌগৎনবা পায়খৎলকপনি।

কম্মীসননা মীখল অসিদা অমুতং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাস্তিক শিজিন্নদনবা অমসুং অমোৎ অকায়শিং তোঙান তোঙানবা দসবিন্দা হাপ্তুনা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মীখল অমা ওইহন্নবসু খঙহল্লি।

**তেরোরিজম ঃ** ভারতনা পাকিস্তানবু তেরোরিজম শৌগৎলি হায়দুনা মরাল শীরদুনা ইস্লামাবাদতা ঙমখৈ লাননা জম্মু কস্মীরদা তেরোরিস্ত এতেক চত্থবা লেপবা খঙহনগদবনি হায়না জেনেভাদা ঙরাং পাঙথোকপা য়ুনাইতেদ নেসনসকী ১৪৮ শুবা ইন্তরপার্লিয়ামেন্তরি য়ুনিয়নগী মীফমদা ফোংদোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চিরমেন হারিবন্সনা হায়- মতম কয়াগী মমাংদগী ইস্লামাবাদনা তেরোরিস্তশিং শৌগৎপা অমসুং মতেং পাংবগী থবক চত্থদুনা লাক্লি। মহাকা হায় - য়ু.এন সেক্যুরিতি কাউন্সিলনা আইননা য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকখিবা তেরোস্তি কয়া পাকিস্তাননা শৌগৎপগী ৱাফম কয়া লৈখ্রে।

মালেমগী কীনিংঙাই ওইরবা তেরোস্তি ওসামা-বিন-লাদেনসু পাকিস্তানদা ফংখিবনি। শ্রী হারিবন্সনা হায়- জম্মু কস্মীর অসি লৈবাক অসিগী তৎনা থান্নবা য়াদ্রবা শরুক অমনি অমসুং মসি কনাগুম্বা মীওইশিংনা অরানবা পান্বৈনা মাংহনবা ঙম্লোই।

**বিজেপিঃ** বি.জে.পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা দলগী মীওই ১১১ গী মীং য়াওবা মঙাসুবা লিষ্ট ঙরাং ফোংখ্রে। এক্ট্রেষ্ট কঙ্গনা রানাউথনা হিমাচল প্রদেশকী মন্দিদা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না সম্বলপুরদা অদুগা দলগী মচিন চৎপা সম্বিৎ পত্রনা উরিষাগী পুরিদগী মীরেপ ওইরগনি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিত্যানন্দ রাইনা উজিয়াপুরদা, গীরিরাজ সিংহনা বেগু সরাইদা অদুগা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাবি শঙ্কর প্রসাদনা বিহারগী পাটনা সহিপ লোক সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি। এক্তর অরুন গোবিলনা মেরঠতা অদুগা হান্নগী মন্ত্রি-মেনাকা গান্ধিনা সুলতানপুরদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি।

উত্তর প্রদেসকী মন্ত্রি-জিতিন প্রসাদানা পিলিভিট লোক সভা কেন্দ্রগী এম.পি. বারুন গান্ধিগী মহুৎতা মীরেপ ওইরগনি। ঙরাং বি.জে.পিদা য়াওখিবা হান্নগী কংগ্রেস লুচিংবা নবিন জিন্দলনা কুরেক্ষেত্র লোক সভা সিটতা, কলকাটা হায় কোর্টকী হান্নগী জর্জ-অভিজিৎ গাংগোপধ্যায়না টামরুক্তা অদুগা হান্নগী করনাতক্কী মুখ্য মন্ত্রি-জগদিস সেট্টরনা বেলগম লোক সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি।

সিক্কিম বিধান সভা কেন্দ্র ১৪ দা থাগৎকদবা বি.জে.পিগী মীরেপশিংসু লাউথোকখ্রে।

ত্রিপুরাদা মীখলদা শরুক য়াগদবা স্তাফ অমদি মাইক্রো ওবজাভরশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম চথবা হৌখিবগা লোয়ননা মীখলগী থবক মপুং ফানা কল্লে। রাজ্য অসিদা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনি থোকা ভোট থাদনগনি। ত্রিপুরাগী লোক সভা সিট অনিগী অপুনবা ভোটর মশিং লাখ ২৮ লিশিং ৫৭ লোমনি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা লাখ ১৪ লিশিং ৩৫ অদুগা নুপী ভোটরনা লাখ ১৪ লিশিং ২২ নি। ৱেষ্ট ত্রিপুরা লোক সভা কেন্দ্রদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৬৬৪ হাংদোক্কনি। রাজ্য অদুগী খুঙ্গংগী লমদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৫০৬ অদুগা সহরগী লমদনা পোল্লিং ষ্টেসন ১৫৮ হাংদোক্লি। রাজ্য অসিগী হন্দক্কী মীখল অসিদা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. অমদি কংগ্রেসনা লুচিংবা ইন্দিয়া এল্লাইয়েন্সনা মপুং ওইনা লম্বা তৌনগনি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) মচুগী কুম্মৈ য়াউশঙ ঙসিদগী হৌরে। রাজ্য অসিদদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংদুনা কুম্মৈ অসি মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোকদ্রে।

২) এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিক অমসুং এম.পি.পিগী মীরেপ আর.কে সোমেন্দ্রোনা মীরেপ চেশিং পীশিনখ্রে।

৩) সেকুর্যরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

৪) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ওবজার্বরশিংনা ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্লি, পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিংসু চথরি।

## অমসুং

৫) ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লাক্লিবা লোক সভা অমসুং বিধান সভা মীখলশিংদা চে য়ামা শিজিন্নদনবা মীখলগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং রাজনিতি দলশিংদা খঙহন্নখ্রে।

**--- পাড লোইজরে---**